ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ০৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০১৫শুবা মশীং

# এম পি শিংগী তোলোপ চাদা ৩০ ককখিবা

## মণিপুরগী মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা কদায় ফাওবা কৎথোক্কদৌরি

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ (এম পি এল এ দি এফ) চহী অনী সস্পেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। এম পি লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদা থাদগদবা লুপা ক্রোর ৭,৯০০গী শেনফম কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা শীজিন্নগদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা এম পি পূম্নমক্কী তোলোপ চাদা ৩০ কক্নবগী ওর্দিনান্স অমা চৎনহন্নবসু কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি ষ্টেট পূম্নমক্কী গভর্ণরশিংসু চাদা ৩০গী চাংদা তোলোপ কক্লগনি। তোলোপ ককপদগী ফংলকপা শেনফম পূম্নমক কন্সোলিদেটেদ ফন্দদা হাপচিল্লগা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা শীজিন্নগদৌরি। কুমজা ২০২০দগী হৌরগা কুমজা ২০২২ ফাওবা চহী অনী চূপ্পা এম পি লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ সস্পেন্দ তৌবদগী ফংলকপা লুপা ক্রোর ৭,৯০০ সু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নগদৌরি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্না কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমগী তোলোপ কৎথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী ৱারেপ অসি লৌখিবনি। অমরোমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা লৈবাক মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসিগী য়েংলগা ষ্টেট খুদিংমক্তা শেনবা চহী ২০২০-২১গী ওইনা সেন্টরদগী পুবা য়াবা শেনফম চাদা ৫০ মাঙজেৌননা পুবা য়াহল্লগনি। শেনবা চহী ২০২১গী ওইনা ষ্টেটশিংদা মাঙজৌননা চাদা ৫০গী শেনফম পুবা য়াহনবগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু তঙাইফদবা ফীভম লাক্লগদি সেন্টরদগী অহেনবা শেনফম পুহনগনি হায়রি। রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না এপ্রিলদগী জুন ফাওবদা ষ্টেটশিংনা লুপা ত্রিলিয়ন ১.২৭ সেন্টরদগী পুরবা য়াই হায়না থাজনরি। এপ্রিল থা খক্তদা লুপা ক্রোর ৫৫,২২৫ পুগদৌরি। অমরোমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক ইন্দিয়াদা লোকদাউনগী মতম নুমিৎ ৪৯ শাংদোকপা মথৌ তাগনি হায়না ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। নুমিৎ ২১ নিখক লোকদাউন তৌবনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমলোই হায়না পল্লদুনা কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এপ্লাইদ মেথমেটিক্স অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ থিওরিটিকেল ফিজিক্সনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, নুমিৎ ২১নি হৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা লোকদাউনগী মতম নুমিৎ ৪৯ শাংদোক্লবদি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমগনি।

হৌজিক ফাওবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা লোকদাউনগী মতম শাংদোকপা নৎত্রগা শাংদোক্তবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অখণ্ড-অহৈশিংগী মত মতুংইন্নদি লোকদাউন তৌবনা কোরোনাভাইরস লাকশিনবদা মতেং ওইনরবসু লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। একুইট রেটিংস এন্দ রিসর্ছ লিমিটেদকী রিপোর্টনা হায়, নোংমখক লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৬৪ মাঙহল্লি। নুমিৎ ২১ লোকদাউন তৌবদা মাঙজগদৌরিবা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) গী চাং দোল্লর বিল্লিয়ন ৯৮ লোমনি। অদুবু লোকদাউনগী মতম মখা তানা শাংদোরকপা য়ানা লৈরি। লৈঙাক্লা করিগুম্বা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না এপ্রিল ১৫দগী লোকদাউন লৌথোকখিবা তারবসু লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা মতম শাংনা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লগনি। কুমজা ২০২০দা মালেম অপূনবগী ওইনা শেল থুমগী ফীভম শোকচিল্লকপা য়াই হায়না মমাঙদা ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা আই এম এফকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। য়াম্না থাজদবা মওংদা ইখঙ-খঙহৌদনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি শন্দোরকপনা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা চৈথেং ফংলিবসি ত্রান্সপোর্ট, হোটেল, রেষ্টোরেন্ট অমসুং রিয়ল ইষ্টেটকী থবক থৌরমশিংদনি। হায়রিবা সেক্টর অসিদা গ্রোস ভেল্যু এদেদ (জি ভি এ) গী চাং চাদা ৫০ রোম মাঙহল্লকপা য়াই হায়না একুইট রেটিংস এন্দ রিসর্ছ লিমিটেদকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি মপূং ফানা লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ৪০শুবা কুমওনগা মরী লৈননা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙবা তারবসু মীয়াম্না চোকথবা নাইদনা মায়োক্নবা মথৌ তাই। লুরবা তানফম অসিদা মীপূম খুদিংমক অরাম-খৌরাংবগী মৈচাক খাঙহল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না পার্টিগী ৱার্করশিংদা ফোঙদোকখি। মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা চহী অমা চূপ্পা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা এম পি খুদিংমক্কী তোলোপ চাদা ৩০ কক্লগা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরগনি হায়রিবসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। হীরমসিদা মণিপুরগী ওইনা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা করি ফিরেপ লৌরকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীয়ামসু ৱাখল খরদি তামিন্নরসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নীংশিংলকই অদুঙৈ ইপা ইপুশিংনা হায়বীরম্বা পাউরৌ, ইচাশা 'ক' না হৌবা মফমদগী হেন্দোক্নু হায়বা পাউরৌদুগী মতমদো য়ৌরক্লব্রা খঙদে, য়ৌরকপসু মাল্লি। হৌজিক হৌজিক কিনরিবা কোরোনাভাইরস, কোভিদ-১৯না অমদগী অমা মথং-মথং থায়নগী খোঙহাম পুকচৎ লায়না হায়নবা মীওই কয়া নোংম-নোংমগী অমা শি, অনী শিজিল্লকপদগী মীপাইনৈ হায়না তাজখিবা অদু হৌজিক থোক্লিবা তমথীরবা লাইচৎ অসিনা লায়নাদুগুম ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসিবু করম্না, করি পান্বে তৌদুনা থিংবা ঙমগদগে হায়বসি ঐখোয় মীয়াম পূন্না ইশানা খঙজবা মতম ওইরে নীংই। ঐখোয়না অখঙ অহৈ লৈঙাক্কী খোল্লাউসু তত্তনা তাবদা নত্তনা থৌদাংসু লৌমিন্নফম থোকই। ঐখোয়না মীনা তৌবীনু হায়বা পাউতাক লৌবীদনা নম হাদুনা পংতৌ তৌশিনবসু অরানবা ওইগনি। মসিদা অৱা অনা তারগা ইশাখক্তা নত্তনা মীয়ামদসু অৱাবা নংলোই হায়নিংঙাই লৈতে, পূম্নমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুবু ইরমসিগী হৈনবী ওইনা য়ারোই হায়রগা হেঞ্জিনবগী হৈনবীসু লৈরি। অকিবা লায়নাগী মায়োক্তা নুমিৎ খরদং অথিংবা লৈরে, মী পূনবা য়াদ্রে, কর্ফিয়ু লৈখ্রে হায়রগা মদুগী মায়োক্তা গাড়ী রিজার্ব তৌরগা পোৎ য়োনগনি হায়দুনা বজারদা লাকপা কয়াসু য়াওনরি। হোয় তৌববুদি লৈত-লায়র থিবদি ওইরম্বা য়াই, তাঙনা য়োন্দুনা শেন্দোংগী লাকপসু ওইরম্বা য়াই। মসি হায়রগা মখোয়দদি শাউনীংলমনি, লৈতবগী লাকপনি হায়নি। অদুবু ঐখোয়গী লমদমগী এঞ্জাং নাপি লল্লোনবীশিংগী ৱাখলসে খরদি লৈতবগী ঙাক নত্তনা হেমল্লে, নোংমগী কৈথেল ফমহৌদবা য়াদে খন্না অহিং হৌগৎতুনা লাক্লরি। মসিসু অঙকপা লায়না অমনি খল্লি। মপান ইপান থোক্লদবগী অৱাবদি অমসু অমসু চপ মান্নে অদুবু তৌদবা য়াদবা ইথৌনি, পুন্সিগী খোঙচৎতা অৱাবা তাহন্নবা হোৎনমিন্নবনি হায়সি খনফম থোকপ্রা খল্লি। মতম খরদি তঙাইফদনা অৱাবদগী ঙাকথোক্লবা ৱামিন্নবনা ফগদ্রা খল্লি। অদুগা অথিংবা কয়া ঙাইঙমদনা হেঞ্জিন্না থবক তৌবসু মীৱা তাই হায়বসু লৈরি। অদুনা অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা লৈঙাক্কী য়াথংসু খরদি ইনবনা ফবরা খল্লি। অদুবু পোৎয়োনবী খরদি থওইনদে হুই, হৌদোং তানবগুম পুলিসনা কোয়তান তানবসু য়াওরিবনি। লৈঙাক্কী লুরবা তাঞ্জানিনা ৱাখল খরসু খন্থনরসি।

লম লাপ্পা চৎলুরগা য়ূমদা হল্লকপশিংসু কিনরিবা লায়না লাইচৎ অসি ইশাদা হান্না লৈরমদ্রবসু গাড়ী নৎত্রগা এরোপ্লেন তোংমিন্নরকপদা অতোপ্পা লমলানবদগী চঙলকই, চঙলক্তে হায়বগী মহুত্তা ইকায় হঙ্গোয়দনা টেষ্ট তৌবীদুনা য়ূম-য়ূমদা চঙবীরবা, ইশাদা নুংঙাইতবা লৈরবসু হায়দোক্তনা লৈশিনবগী মহুত্তা অশেংবা হায়দোক্তুনা চ্যেক তৌহনবীরবদি ইমুং-মনুং, চম্লবা মীয়ামগী থৱায় লায়নাসিনা শোকহনবদগী কনবা ঙমগদ্রা খল্লি। অদুনা ঐখোয় ইশাগী ৱাখলনা মীয়ামগী খন্দুনা চেকশিন্না চৎনরসি। করিগুম্বা দুকান্দা পোৎ চৈমক্তা লৈবদসু সিনেমা টিকেট ইন্নবগুম খুল্লক লৈরক্কী দুকানশিংদা ফংহৌররোই, নংহৌররোই মতাগুম ইন্নরি, মী ওমশিন্নগনু হায়রগা হেন্না হোৎচিন্নবগী চৎনবী ওইরি। দুকানগী পোৎ তন্লিবসু মীয়ামগী ইনিলদা শাউরকপসু য়াওরি। দুকান ফন্লীবনা পোৎসু য়োনীংই অদুবু মীওইবনিনা কিনা-কিনা য়োল্লিবনি। মসিদা লৈবীরিবা মীশিংনা ইশানা লাপ্তুক-লাপ্তুক লেপ্লদুনা লৈনরবদি অয়োনবসু পোৎ তম্বদা কোক ঙাওরোই, অনা অয়েক চংলোইদ্রা খল্লি। মীয়ামসু ৱাখল খরদি তামিন্নরসি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অনীংবা অপাম্বদা তুংদা লাক্কদবা অকায়বা কয়া ঙাকথোকমিন্নদুনা অৱা অনা তাদনবা অঙম অঙম্বা মতেং পাংমিন্নবা য়াবা পাংমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# সিবু তম্বা ঙম্বরো?

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

শিবা-নাবা হায়বসিদি তম্বা ঙমদে। ইকন কন্না লৈরম্বা তা শমুদু নহান্দা হোটেলদা চা থকমিন্নরম্মী। অদুগদি অয়ূক য়াহৌরকপদা লৈত্রে হায়দুনা তৌরম্মীসিনি। সিবু থাজদ্রসু থাজদবা য়ারিব্রা? মরক অমা মণিপুরদা মপু মশক খঙদবা নোংমৈ মরূ ময়াম অমা কোয়পাই পাইরম্মী। কনাগী লাইবক্তা, কনাগী থোৎলবা তোংশা ফাওদুনা পানগদবনো হায়বা খঙদবমখৈ। অপানবা মীদুনা মরায়বক থীরগা অদুম শিখি। মরক অমসু মাল্লি হায়বদগী শিবা কয়া অমা য়াওনখ্রে। ময়ূমদগী খুদৈ শেৎলগা থোকখিবা কয়া কেমোফ্লাশ শেৎলগা লৌরিদা শিদুনা লৈরম্বা কোঙ্গাই অমা য়াওনখি। মমান্নবশিংগা হৱাও হৱাও চাক চানরগা থোকখিবদা লুমকাপ কাপ্লন্বদগী থৱায় থাখিবসু য়াওনখি। তম্বা ঙম্বা নত্তে। অদুনবু হায়নরম্মীবনি, মীওইবগী পুন্সিদি থম্না থক্কী লাইজগা চপ মান্নে হায়দুনা। নিক-নিক লাওনা থম্না থক্তা লৈরম্বা ঈশিং মরীকনা নুংশিৎ অমা শিৎলকপদা নৎত্রগা, খজিক্তুং লেংলুবা মতমদা থুরেখৈ লৈখাদা তাখিবা লাইজ ইরিক অদুগী পুন্সিগা মীওইবগী পুন্সিগা করি খেন্নগনি।

হৌজিক মালেমসিদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) হায়দুনা লায়না অমা লাইচৎ ওইনা কন্না শন্দোরক্লি। চাওখৎ-চাওখৎলবা লৈবাক কয়া মহিক অসিনা লান্দাশিন্দুনা মীওই কয়া অমগী পুন্সি পিখম্নহনখ্রিবসিনি। কয়া অমনা শিনি-চঙনী খঙদনা মশা পূম্বা পুময়োম য়োমশিল্লবা শিবা কিজরিবা ডোক্তরশিংনা লায়েংলিবসিনি। শিববু কিদবা কনা লৈরমগদগে, শিনি হায়বা খঙনা খঙনা শিনীংদবা ময়াম অমনা পাল্লিবা তাইবঙপাননি। তাইবঙপানসিদা লৈরিবা পূম্নমকশিং অসিদা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা অমদি অচৌ মচা, লায়র ইনাকখুনবা হায়বা খাইদনা ভাইরস অসিনা থেংজিন-থেংজিন্দুনা বোম-বোম তুদুনা নানরিবা ময়ামসিনি। তম্বা ঙম্বা নত্তে।

লায়না অসিনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অসুম অসুম শন্দোরকপনা হৌজিক্তি লৈবাক খরা, অদুসু চাউখ্রা-চাউখ্রবা, ইনাক-কৈরাক খুল্লবা, লাইরিক-লাইশু হৈবতনা খুল্লিংবা অদুগুম্বা লৈবাক খরা অমদি কয়া য়াম্না পোজিটিভ ওইরবা, নোংমদা কয়া শিবা ঙম্লবা হায়বগী মকোক মথং তান্নদুনা লৈরি। মদুতা শেন্নবদা মখোয়গী হৈর-হৈরবা সাইন্টিষ্ট কয়া ময়া কুমদুনা হৌজিকফাও করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরি। অশিবা কৌবা লাইনা মনাক্তা শুরু-শুরু নৈশিন্দুনা মী হায়বা জাৎসি পুগদগী কন্না হেক মহোৎনরবদা কোক লৈবা ময়ামশিং কোক থাদদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বসি খনবা ঙম্বা নত্তে। লৈবাক খরদদি মসিগী কোক অসি মীওই অমা অনীনা চলাইদুনা লৈরে। অদু তৌ, অদা তৌ হায়বগী য়াথং মথং-মথং তাওথদুনা মীয়াম্বু মানা-মানা পাম্বা মায়কৈদুদা চৎহন্নবা থৌরাং মথং-মথং য়াৎতুনা লৈরে। মীয়ামসু হৌজিক্তি অমনা হায়রসু থাজবা অমনা হায়রসু থাজবা মতম হায়বদু ওইরে। শিবদি লোইনা কিনবনিনা ষণ ময়ুং থকউ হায়রসু হেক থক, ষন্থি চাও হায়রসু হেক চা, তৌদুনা লৈনরি। করিনা, শিবা হায়বদু কিনবনা। ওইথোকপা য়াবা য়াদবা কৈসু থোইনা কনানসু খন্নরুদে। মীনা হায়নরক্লিবদু অচুম্বা ওইরদবোইতা খনবা, মশা মশাগী ওইবা ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা অসুম্না তৌরবদি ফগনি হায়বগী ৱা থোইনা খন্নদ্রে। তৌ হায়দুতা তৌনরে।

চাংয়েং মখল অমনি হন্দক্কীসি, মী হায়বসি কয়া য়াম্না শিংবগে হায়বদু মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা য়েংলগে মতাগুম হেক তৌরকপগা মান্নখ্রে। খরা অমনা অসুক য়াম্না মীপাইনরিঙৈ তাল্লক অসিদা, ভাইরস অসি মীনা শেম্বনি, মীনা শাবনি, মী হায়বা জাৎসি হাৎনবা থওইনা তৌবনি হায়বগসু য়াওরি। লৈবাক অমদা থাজিল্লগা লৈবাক অদু তুম্না হাৎনবা হোৎনরকপনি। মদুগী চাংয়েং অদু মহীক খরা লিক ওইখিবদগী মশা মশাদা হান্না পাল্লগা কোন্না লৈবাক অতৈদা শন্দোরকপনি গাইনা হায়নবসু লৈতবা নত্তে। মসিমসু অমুক থন্নগা লৈবাক খরদি অসিগুম্বা মী তুম্বা য়াবা লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা তৌবা ঙম্বা কয়া অমা উৎথোক্লবগী তাঞ্জাসু ফংবগুম্না নুমিৎ তরানিগী মনুংদা বেদ লিশীং অমা থাগদবা হোস্পিটাল শাদুনা মখোয় মখোয়না তৌবা ঙম্বা কয়া উৎপা, মদু লৈবাক কয়াগী মীয়াম্না অঙকপা অমা ওইনা য়েংনরি। য়েংনা য়েংনা মশা মশাগী লৈবাক্তা ভাইরস অদু থুংজিল্লক্তুনা মীওই কয়া অমদা তাইনরকপদগী হৌজিক শ্বর ফাওবা নিংথিনা হোন্দোকপা ঙমদবমখৈ মথ্বায় খূবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনবা কয়া অমা লৈরি।

মণিপুরদসু ময়াম থুংনা য়েল্লক্লবনিনা উচিন নাচিন্না থুংলরে। মীগী কোপি তৌবা হৈবদা মপা লৈত্রবা, করিগুম্বা অনৌবা অমতং থোরকপদা মণিপুরদা হান্না হেক্তা মশা মশাগী পোখোকতৌনা খন্নবা ঙম্বনিনা ভাইরস অসিনা থুংলরবা অসিদা তৌবা য়াবা মীতৌ তমগেরা করি তৌগেগে কন্না হোৎনরি। মীয়াম ৱারোই, চানবা ৱাৎলোই হায়না য়াম্না কন্না অচৌ-অশাংশিংনা লাউবা তাই। মীদি অসুম অসুম ৱাবা হেনজিল্লকই। নোংমগী শূরগা চাজবা মীওই কয়া অমা চানীংঙাই লৈতবগী খম থেংনা ৱাবা হায়বদু য়ৌরে। হন্দক্কী অসিমদি ময়ূমদা কৈ খিন্দুনা মফৌ মচেঙ চাজবা মীওই নত্তবা কৈথেলদগী ৱাল্লগা চাজবশিংদি ঙমখৈ লৈতনা ৱারে। শেল লৈরবসু কৈথেলদগী নৎত্রবসু দুকান্দগী চেঙ ৱানগে হায়বা ফংবা ঙমদ্রে। ৱাবা হায়দু শ্বাইসিদা লৈরে। অসিমক্তদা চানবদি ৱাৎলোই হায়না লাউবিরিবশিংনা মীয়ামগী ৱাৎলিবা অসিবুদি থবক ওইনা মবুক মেনবা ঙমদে। ষ্টেটকী কোৎতগী চেঙ চিংথোক চিংথোক্তুনা মীয়ামদা য়েল্লিবশিং অসিনা মী অমদা হায়বদি য়ূম অমদা চেঙ কেজি অসুক পীগদবনি হায়বা কয়াৎ য়াৎলবা ফাওবদা শুনা ফংবা ঙম্বা কনা অমত্তা লৈতে। অদুবু মফম খরদা হায়বদি কন্সটিট্যুএন্সি খরদদি চেঙ শুনা পীবগী পাউসু অদুম তাই। অমরোমদনা, এম এল এসু ওইদবা মিনিষ্টরসু ওইদবা, মমাঙগী ভোটতি লেপ্পগা কাহৌদবা, মথংগী ভোট লেপকনি হায়না মুক্তুনা লৈনরিবা কাঙবুনদি, কদোমদগী পুরকপা চেঙনো হায়বা খঙদনা পুথোক পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েল্লি। মীয়াম অপংবা পংদবা, শেল পায়বা পায়দবা থিদনা চেঙ বেগ অমতা ৱানগে হায়বা ফংনদ্রবা মতমসিদা চেঙ গাড়ী টাটা লোদ লোদ পুথোরক্তুনা য়েল্লিবসিনা কদাইদগী কমদৌনা ফংলিবা, অসিসু অঙকপা অমনি। মখোয় মখোয়গী মথংগী ভোটতা মায় পাক্লবা মশাগী তৌবা ঙম্বা শক্তি কয়া পুথোক্তুনা অঙম্বশিং মতেং পাংবীবনি খঙদে, করিনি খঙদে মীয়ামদা নুংশিবা খোন্দুনা তাঞ্জা অমা কান্ননরিবা অসিমসু অঙকপগী মথক্তা অঙকপা অমা হায়বদু ওইরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মীখলগী পোলিটিক্সকী ৱা লোইনা থাদোক্লরগা, মখোয় মখোয়গী অশেংবা পুকচেল অমদি মখোয়না লৈবাকপু, মীয়াম্বু তশেংনা নুংশিজবা অদু উৎহৌনবগী তাঞ্জা অদু, পৱার লৈবরোমদা পুশিন্নরগা ষ্টেটকী কোটতগী চেঙ চিংথোক্লগা চেঙ কেজি খরা পীনবা হোৎনবা অসিনা লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী মতিং থোক্না লাউথোকখিবা চেঙগী কেজি শুনা পীবা ঙম্লক্তবা কয়া অসি ওইরকপা য়াই। অদুনা পৱার লৈবা মীশক য়াম্না লৈবা কন্সটিট্যুএন্সি ওইরগনা, মদুগী খুদোং চাবা অদু হেক ফংবা, নত্তবশিংদি চগা য়েংলগা তোকপা হায়বা অদুদা লৈনরে। মসিগুম্বা অসিসু থম্মোয় শেংনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না চোংথোকপীরক্লিবশিংনসু ৱাখল খন্থনবা মতম য়ৌরে।

লুরবা তানফম অসিদা অসিগুম্বা পোলিটিক্স তৌনরিবা অসিনা হেক্তা মথংগী ভোটতা মীয়ামদগী ভোট হেক্তা ফংলনি হায়না খনবা অসিসু তশেংনা চুমগদ্রা হায়বা অসিসু ৱাখল মুন্না খন্থহন্নীংই। লায়না অসিদি তম্বা ঙম্বা নত্তে। পোলিটিক্স তৌরিবশিংদসু শুংচং চংলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসুক লুরবা তানফমসিদা মীয়াম্না পনখৈ য়ৌনা ৱানরিবা অসিগী খনবীদুনা চেঙ, হৱাই, আলুগী পোলিটিক্স থাদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা খেন্নবা ৱাখল লৈতনা পূন্না হোৎনমিন্নহন্নীংই। ●

# কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্বা য়াই হায়না থাজরিবা হীদাক

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**


ৱারেং অসি ইবা মতম ফাওবগী মনুং (০৬ এপ্রিল, ২০২০; অয়ুক্কী পুঙ ৭:১৫) দা, 'কোভিদ১৯ইন্দিয়া.ওর্গ' হায়রিবা ৱেবসাই অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯না নারবা মী মশীং অসি ৪২৮৯ নি, অদুগা ফখ্রবনা ৩২৮ অদুগা শিখিবনা ১১৮নি। নোংম-নোংমগী নাবগী মশীং হেনগৎলক্লি, অদুবু নীংবা কায়নিংঙাইদি ওইদে। মরমদি কোভদ-১৯গী ঙল্লিঙৈগী তাঙ্কক্তা সর্স-কোভ-২দগী ঙাকথোকপা ঙম্বা হীদাক অমা পুথোক্লে হায়না "সেল" চেফোঙদা এপ্রিল ২দা ফোঙদোরক্লি। হীদাক অসি য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী ফেকল্টি ওফ মেদিসিন, লাইফ সাইন্সেস ইন্সটিট্যুটকি টিরেক্টর ওইরিবা জোসেফ পেনিংঙরনা লুচিংবা, মালেমগী থাক্তা খুৎশম্নবা লুপ অমনা পুথোরকখিবনি। মখোয়গী থিজিনবা অসিনা কোভিদ-১৯ নাহল্লিবা সর্স-কোভ-২ ভাইরসকী মরুওইবা শক্তমশিং খঙদোকখিবগা লোয়ননা মসিনা সেলশিংগী থাক্তা তৌরিবা মথৌ অমসুং মসিনা ঈগী উতোংশিংদা করম্না ইনফেক্ট তৌবগে হায়বদু খঙহনবা ঙমখি।

কোরোনাভাইরসশিংগী স্পাইক (এস) প্রোটিন্না সেলশিংদা চঙলকপা মতমদা মতেং পাঙই। সেল অমগী মনুংদা চঙলকপা হায়বসি স্পাইক প্রোটিনগী লৈমাইগী য়ুনিট (সর্ফেস য়ুনিট) এস১না সেলশিংগী রিসেপ্তরগা ফাজিন্নবা অদুগী মখা পোল্লি, অদুগা মসিনা সেলদুগী লৈমাইদা নপশিল্লকপদা মতেং পাই। মসিগীসু মথক্তা, চংলকপা মতমদা সেলশিংগী প্রোটিজশিংনা এস প্রোটিন প্রাইমিং তৌবগী মথৌ তাই। প্রোটিজশিংনা এস১/এস২দা নৎত্রগা এস২গী লৈফমশিংদা এস প্রোটিনবু ময়ি চৎহল্লি অদুগা ভাইরসতুগা সেলশিংগী লৈমাইগা পুনশিন্নহল্লি। সর্স-এসনা "এঞ্জিওতেন্সিন-কনভর্টিং এঞ্জাইম ২ (এ সি ই ২)"বু চঙলক্লবগী রিসেপ্তর ওইনা মথৌ তোই। অসুম্না সর্স-কোভ-২গী স্পাইক গ্লাইকোপ্রোটিন্নসু সেলশিংগী মেম্ব্রেনশিংগী রিসেপ্তর ওইনা এ সি ই ২না অচৌবা থৌদাং লৌই।

হান্না পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, পেনিংঙর অমসুং মাগী খোঙলোইশিংনা য়ুনিভর্সিটি ওফ তোরোন্তো অমসুং ভিয়েনাগী ইন্সটিট্যুট ওফ মোলিক্যুলর বাইওলোজিদা ইহান হান্না এ সি ই ২বু মশক খঙবা ঙমখি। অদুগা অহিংবা জীবশিংদা, কুমজা ২০০৩দা মালেমদা অকিবা পোকহনখিবা সর্সকী মরুওইবা রিসেপ্তরদু এ সি ই ২নি হায়বসু খঙখি। মহাক্কী লেবোরেটরিনসু প্রোটিন অদু থম্মোয় অমসুং থবোম্বীগী অনাবশিংগা মরী লৈনৈ হায়নসু পুথোকপা ঙমখি। কোভিদ-১৯না মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরকপা মতমদা, চপ চাবা এন্টিভাইরেল থেরাপি লৈতবা নৎত্রগা সর্স-কোভ-২ রিসেপ্তর এ সি ই ২দা হকথেংননা লান্দাশিনবা ঙমদবা হায়বসিনা হেলফ কেয়র প্রোভাইদরশিংদা কোভিদ-১৯গী শাথিবা ফিভমশিং থেংনবদা য়াম্না ৱাবা অমা ওইরি। অদুবু থিজিনবা অসিদা কোলাবোরেটর ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ তোরোন্টোগী প্রোফেসর অদুগা সেন্ট মাইকেল'স হোস্পিটালগী কীনন রিছর্চ সেন্টর ফোর বাইওমেদিকেল সাইন্সকী সাইন্টিষ্ট দা: অর্ট স্লটস্কিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না পুথোরক্লিবা এ পি এন ০১ (হ্যুমেন রিকম্বিনেন্ট সোলুবল এঞ্জিওতেন্সিন-কনভর্টিং এঞ্জাইম ২-ঐচ আর এস এ সি ই ২) অসি কোভিদ-১৯গী মতীক চারবা এন্টিভাইরেলনি হায়রি। হীদাক অসি য়ুরোপকী বাইওটেক কম্পেনি "এপৈরোন বাইওলোজিক্স"না ক্লিনিকেল ত্রাইল চথনবা শেম শাখ্রে।



জোসেফ পেনিংঙর




সর্স ২০০২ গী লায়নাগা সর্স-কোভ-২গী কোভিদ-১৯গী লায়নাগা চাংদম্নবগী শক্তম

থিজিনবা অসিগী সেল কলচরশিং এনালাইসিস তৌবদা, ঐচ আর এস এ সি ই ১না কোরোনাভাইরসকী চাংসি ১,০০০-৫,০০০ গী ফেক্তরদা থিংবা ঙমখি। মীওইবগী ষ্টেম সেলশিংদগী হৌহল্লবা ওর্গানোইদশিং-এঞ্জিনিয়রিংগী পান্বেনা মীওইবগী ঈগী উতোংশিং অমসুং কিদনিদা, ভাইরস অসিনা হকথেংননা ইনফেক্ট তৌই অদুগা মচা পোকপা ঙম্মী। থিজিনখিবা অসিনা লায়না অসি মতৌ করম্না মীওইবদা মপুং-মরৈ ফারকপগে অমসুং কোভিদ-১৯গী শাথিবা ফিভমশিংদা ওর্গানশিংনা মথৌ তৌবা ঙম্লক্তবা অমসুং থম্মোইগী অনাবশিং ওইরকপা য়াবগী মতাংদা ঈ-পাউ কয়াসু ফংবা ঙমহনখি। অদুগা ক্লিনিকেল গ্রেদ ঐচ আর এস এ সি ই ২না এঞ্জিনিয়রিংগী পান্বেনা শেমগৎলবা মীওইবগী টিসুশিংদা সর্স-কোভ-২ ইনফেক্সনগী চাংসু হন্থহনখি হায়না পাউদম অদুদা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ-১৯ নাহল্লিবা সর্স-কোভ-২সি ইহান হান্না থেংনখিবা সর্স ভাইরস (কুমজা ২০০২) অদুগা য়াম্না মান্নে হায়না পেনিংঙরনা ফোঙদোক্লি। অদুনা মখোয়না সর্স-কোভ-২গী চঙলকফম ওইরিবা ঐচ সি ই ২বু য়াম্না থুনা মশক খঙদোকপা ঙমখিবনি। অদুগা মখোয়না পুথোরক্লিবা হীদাক অসিনা ভাইরস অদুগী চঙলফম লম্বীদু থিংদুনা থল্লগা য়াম্না নিংথিজনা কোভিদ-১৯বু খুদুম চনবা ঙমগনি হায়রি। থিজিনবা অসি স্পেইনগী "ষ্টেমসেল টেক্নোলোজি"গী দা: রিয়ান কোন্দরগী গ্যাষ্ট্রোইন্টেনেলগী কাঙলপু, তোরোন্টোগী দা: হাইবো জাং অমসুং অর্ট স্লটস্কি অমসুং স্বিদেনগী অলি মিরাজিমিগী ইনফেক্সিয়স বাইওলোজিগী কাঙলুপকা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি। অদুগা কেনাদাগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা খুদক্কী ওইবা শেন্থং থাদবদসু মতেং পাংখি হায়না পাউদমদুদা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●